# “সেপ্টেম্বর পোপি লোকপা থানি-!”

**- এল ইবোমচা -**

মণিপুর তম্পাক অসি লৱাই লেস্ফুদা খাকপা চিখাক মুক্তং পাক চাওই। হায়বদি মণিপুরগী অপূনবা লমগী চাদা ৯২না চীংগী লমনি অদুগা অরেম্বা চাদা ৮ খক্কা তম্পাক্কী লমনি হায়বনি। অদুগা চাদা ৮ খক্তা চাওবা তম্পাক্কী শরুক্তগী চীং, পাৎ, তুরেল, লৌবুক্লচিংবা খাইদোকখ্রগা লেমহৌবা মী লৈবা য়াবা লমদি চাদা ৩ মুক্তনি। হায়রিবা পীকখ্রবা লমদম অসিদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬০না খুন্দাই অদুগা চাদা ৪০ রোম্না চীংগী লমদা খুন্নাই। মমাঙৈদা লৈরম্বা লৈঙাক্কী য়াম্না চাওরবা অশোইবা অমনা মরম ওইরগা চীংমী তম্মী অমত্তা ওইনা হৌমিন্নরক্লবসু তম্পাক্তা লৈবা মৈতৈনা অপূনবা লমগী চাদা ৯২ ওইরিবা চীংগী লমদা খুন্দা লৈতাহনবা য়াহল্লমদে। অদুগা পীকখ্রবা চাদা ৩ মুক্তং চাউরবা তম্পাক্কী লম অসিদনা মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমক য়াওনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগা পুল্লপ্লা খুন্দা লৈতাবা য়াহল্লি। হায়রিবা চৎনবী অসি নিংথৌনা লমগী মপু ওইনা লৈরিঙৈদা চৎনরমদ্রবসু বৃটিশনা মণিপুর খুদুম চন্দুনা লৌশিল্লবা তুংদা লৈবাক ঙাকপা নুংঙাইনবনি খনবদগী চীং তম খাইদোক্তুনা লৈঙাক অনী লৈহনবদৌনা লৈবাক ঙাক্লম্বননি। মসিগী খুদোংচাবদু হান্নদগী মণিপুরদা শৈদাংলগা লৈরকখিবা কুকিশিংনা লৌরগা মখোয়গা নাৎ চৎনবী লোন তিন্নবা ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্ট খরগা মান্নরগা মণিপুরদা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবা মৈতৈশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা লান তাশিল্লক্লি। অকনবা লান অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ফীভম শাথীনা শোকখিদুনা মায়কৈ কয়াদগী মণিপুরদা পি আর থম্মু নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টর শিল্লু হায়না কন্না লাউনরক্লি। তৌবগীদি খোল্লাউ অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তাবীগদবা মান্দে। মরমদি পি আর থল্লুরবা মতুংদা বি জে পিনা অমুক হন্না লৈঙাক লিংবা ঙম্লোই হায়না চিংনবা পোক্কনি। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা শ্রী এন বিরেন শিন্দোক্লসি খল্লবসু হৌজিক্কী ফীভম মতাংসিদা কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইনীংগনি হায়বসিনি। মদুগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টর ওইবা হায়বসি চিন্দা পংহায় হায়জবগী ৱানি থবক ওইনা পাঙথোকপদা অরাইবা থবক্তি নত্তে। চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াবা মীওই হায়বসি মশাদা লিদরশিপ ক্বালিটি চেন্দবা য়াদে। মীয়াম্না য়াবা মী ওইদবা য়াদে, হুরান চিন্থি, মীহাৎ-মীপূনগী রেকোর্দ লৈবা য়াদে। কাঙলূপ ফুরুপ নাইবগী ৱাখল চেনবা য়াদে, খুদিংমক অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংদা তৌশিন্নবা য়াওদনা য়েংবা ঙম্বা মী ওইবা তাই। মমা লৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙম্বা, মথৱায় কথোকপদা পাম্মুদবা মীওই ওইবা তাই। ফত্তে খঙলবা মীওইবু লৌশিংগী পান্বেনা ৱারক ৱাতেম্বা হৈবা তাই। অফবা তৌবদা অতিয়া পক্লা থাগৎপা হৈবা তাই। লুচিংবা অমা ওইরবদি করিগুম্বদা মশাদা পেন্দবা, অশাওবা খরা থোক্লকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মতম অদুদা মশাগী শকওং শক্তানা মীয়ামদা মহাক শাওরে খঙহনবা হৈবা তাই। মরী মতা, শাগৈ-নাতৈ, ঐগী মীগী নাইবগী ৱাখল চেন্দবা তাই। অসুম্না মীপূম খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলগা থোং মান্নবা চাওখৎমিন্ননবা হোৎনবদা মথৌনা লৈনা মথৌদাং য়াবা ঙমগদবা মীওইদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা তাই।

থৌদাংশিংসিগী হায়রুরবদি হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা শ্রী এন বিরেন মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবদা মতিক চাই হায়বা য়াই। অদুবু লাইবক থীবদি মহাক্লা চীফ মিনিষ্টর ওইবা হাক্তকসিদা ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা মণিপুরদা হান্নদগী শৈদাংলদুনা লৈরক্লবা লমহেনবা কুকিশিংগা মান্নরগা চহী কুনগী মমাঙদগী মণিপুরগী লৈমাইদা কুকিলেন্দ অমা শেমগে হায়না মঙলকপা মঙ অদু ফাওহল্লগে মতাগুম্না কাঙলূপকী ঈরাং মালহল্লগা মৈতৈশিংগী মথক্তা অকনবা লান তারকপসিনি। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপশিংগী মীওইশিংদদি লান্দাদ্রগা মীতৈশিং খক্তদা লান তারক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি মীতৈনা লমগী মপু ওইরুবা মদুগী মথক্তা মণিপুরদা মীশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্বা মীতৈ ফুরুপ হান্না নমথনবা হোৎনবনি। মীতৈবু নমথবা ঙম্লবদি অতৈ ফুরুপশিংদি করিসু নত্তে হায়না নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা খনবা লৈবননি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা ম্যান্মার লৈবাক্তগী য়াম্না ফোংনা চঙলকপা ফোরেন্নর নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরদা ‘সু’ চৎনদুনা লৈরিবা কুকিশিংবু লান্না লমজিংলগা মণিপুরগী চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা মীতৈদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিল্লগা তাম্থোক্লবা তুংদা লম খোপচিল্লে খঙনবা ফিরাল য়ুংবগী থবক য়াম্না কন্না চথদুনা লৈরি। অফবা মখলগী নোংমৈ পায়রগা মীরক নারক মুন্না য়েংলগা চীংদগী তমদা, তমদগী চীংদা কাখৎ কুমথ তৌদুনা নোংমৈ কাপ কাপ্তুনা মীতৈশিংবু থাপ্না চেনখিনবা তানবগী থবক চথদুনা লৈরি। মখোয়না হৈ শিংবসি অঙকপনি হায়বা য়াই মদুদি, লানফম অসিদা লুংগি শেৎপা মীওই শিবা য়াওরবদি লৈনুংদা ফুমজিনখি অদুগা মণিপুরগী কুকিশিং শিরবদি মফম অমদা পুল্লপ তাশিল্লগা থম্মী। মরমদি লানফম অসিদা ম্যান্মারগী ফোরেন্নর কুকি মিলিটেন্ট অমত্তা য়াওদে হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা উৎপা য়ানবনি। য়াম্না ঙক্লিবদি মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ফোরেন্নর নার্কো কুকি মিলিটেন্ট কয়া মণিপুর মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা মীতৈশিংদা অতম্ননা লান্দারক্লে, লান খাম্বীয়ু হায়না হায়রুবদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা লৈথোক্লিবা অসিনি। অতোপ্পা অমনা লানফম অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংদা পীননবা অফবা মখলগী নোংমৈ কয়া পীক থন্না য়াওরবা টাটা গাড়ী মপোৎ অহুম মণিপুরদা থুংখিদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মখূৎ য়ৌখ্রে হায়না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউচে ইন্দিয়া টু-দেগী হেদ লাইন্দা হাপ্লি। অদুবু পাউ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু নাচুংদনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লি। ফরে মসিনা মসি ওইজরবসু সুপর পাৱরগী থাক্তা লৈরে হায়নরিবা ইন্দিয়ানা মাগী লৈবাক ওইরিবা মণিপুরদা ভিজা য়াওদনা ম্যান্মারী ফোরেন্নর কুকি ময়াম অমা হুরান লোন্নাদা চঙশিল্লকপদা করিমত্তা হায়দবা অসিনি। মখোয় ময়াম অমা মণিপুরদা লোন্না চঙশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিদা কা হেনবা মীওৎ মীনৈ কয়া চথদুনা লৈরে হায়না মীয়াম্নসু নুমিৎ খুদিংগী ৱাকৎতুনা লাকপা থা অনী খরা হেঞ্জিল্লক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিমত্তা নাচুংবা তৌদনা লৈথোক্লি। তশেংবদি ফোরেন্নর অমনা লৈবাক অসিদা চঙলকপা তারবদি ভিজা পায়গনি, ভিজাগী মতম লোইবগা লৈথবা য়াদে, মরৈবাক্তা থুনা হনখিগদবনি। লৈথখিগে হায়রগনা লৈঙাক্তগী এক্সটেন্সন তৌনবগী অয়াবা লৌগদবনি। নৎত্রবদি ভিজাদা য়াওরিবা কাঙলোন থুগাইবগী চপ চাবা দন্দি ফংবা নৎত্রগা ফাইন থিহনগদবনি।

হৌজিক্তি লান অসি হৌখ্রে, লান খাম্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎলায় পায়বা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং ৬৬/৭০ থারকখ্রে। অদুবু থারক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সেস ময়ামশিং অসি লান খাম্বা লাকপা নত্তবা লানবু কুম্মৈগুম য়েংগে লাকপা মদুগী মথক্তা নাকল নামদা মীচং চংবা, কান্নদবা লান্মী ঙাক্তা থাবীরকই। থৌওং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অকনবা ওর্দরনা ওইহনবনি হায়দুনা মণিপুর মীয়াম্না চিংনবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ৱাহং কয়ামা হংনরক্লি মদুদি, অকনবা লানফম অসিদা লান খাম্বা থারক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা লান খাম্লুনবদি শীন্নরক্তনা নাকল নামদা তোংশিল্লগা লান য়াওনবা ওর্দর তৌবগী মরম করিগীনো? সু চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগাইবা, মীহাৎ মীপূন তৌবদা করিগী য়েংদুনা লৈরিবনো? শৈদাংলরিবা নার্কো চিন-কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর থুগাইরগা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবা মীতৈশিংদা অতম্ননা লান্দারকপদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবগী মরম করিগীনো? চীফ মিনিষ্টরনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াশিং কন্ননবা হোৎনরুবা লাল্লি হায়রিব্রা? মণিপুরগী চীংমাইশিং শিৎ নান্না মরূ কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী থাবদা অথিংবা পীরুবা লাল্লি হায়রিব্রা? ম্যান্মার লৈবাক্তগী লাক্লগা মণিপুরদা শৈদাংলরিবা লমহেন তুহেনবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু ফোরেন্নরনি হায়রুবা লাল্লি হায়রিব্রা? ‘সু’ চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মীওৎ মীনৈদা খাংবা ৱারবা চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেননা ‘সু’ হন্দোক্লুবা লাল্লি হায়রিব্রা? অমসুং মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা নৎতব্রা? অসিনচিংবশিং অসিনি। তৌবগীদি সেপ্টেম্বর থা ফাওবা লান লোইগদবা মান্দে অমদি লান অসি খাম্বীনবা মীওই কনামত্তসু থোক্লক্কদবা মান্দে মরমদি ‘সেপ্টেম্বর পোপি লোকপা থানি!’ খঙমিন্নসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা অফোংবা চিঠি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইকায়খুম্নজরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজি! নহাক্লা মুন্না খন্থবীদুনা মখাদা থমজরিবা ৱাহং অনীসিগী পাউখুম নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পীবিবা ঙমগদ্রা?

১) মণিপুরীশিংদি ওইজবা ফংনবগীদমক নৎত্রগা মথ্বায় কঞ্জনবগীদমক মীঙোন্দা চিরোল তৌবা হৈতে, অচুম্বগীদমক থৱায় পাম্মুদুনা মায় লৈরগা চেন্দে। হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা তৌরক্লবদি মদু মণিপুর মচা নত্তে। মসি নহাক্লা খঙবীব্রা?

২) হন্দক মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী মূক্নবা অসি করম্বা ফুরুপ্পা চুম্মী খনবীবগে, অরানবা ফুরুপকী মায়োক্তা লেপ্পনবা নহাক্কী খোঙফম শেম্বীরব্রা?

**অদোমগী - তায়ামা**

## ‘লান হায়বসিদি লাননি’

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি তশেং তশেংনা লান হায়বদু ওইরে, কাঙলূপ ফুরুপ অনীগী ওইরবসু অশেংবা লাননি। হৌখিবা মে ৩দগী হৌরক্তুনা ঙসি ফাওবদা থা ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ঈরাং অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং, মীহাৎ-মীপূন অমদি ওইরক্লিবা য়েংহৈ উহৈদ্রবশিং অসি নাকল অনীমক্কী ভিদিও ক্লিপশিংদগী মীপূম খুদিংমক্লা লোইনা উবা ফংনরি। অদুবু খ্বাইদগী লাইবক থীবদি থা ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা লান অসিগীদমক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী সিক্যুরিটি ফোর্স লিশীং কয়া কয়া পুশিল্লকখ্রে অদুবু লান অসিবু খাম্বগী মহুত্তা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদা তোংশিন্দুনা ঈরাং অসি শাংথহল্লকখিবনি। নহান্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অনীমক্লা মতাং মতম চানা হৌরকখিবা নুমিৎতুমক্তদা মীশি মীনা খরা য়াওরবসু লাকশিল্লম্লগদি ঙসি ফাওবা শাংথরক্লিবা লান অসিসু শাংথরল্লোই, মীশি মীনাসু অসি য়ৌরল্লোই অদুগা য়েংহৈ উহৈদ্রবা থৌদোকশিংসিসু থোক্লল্লোই। অসুক শাংলক্লবা মতমদদি ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরক্লগা নাকল অমখক্কী য়েংহৈ উহৈদ্রবা ভিদিও ক্লিপ অমদা মতিং ফুদোরকপসিদি লোন্নবী মচাগী থৌদৌ তাগনি, অউবা অখঙবা অতাবশিংনা নোক্লখিগনি য়াম্না ইকায়জে। য়েংবীরগদি নাকল অনীমক্কী থোক্লিবা লান অসিদা য়েংহৈ উহৈদ্রবা ভিদিও ক্লিপশিং পূম্নমক য়েংবীরগা নাকল অনীমক্কী চৎহৈ-তৌহৈদ্রবা লীচৎশিংদুগী চপ মান্নবা মীৎয়েংদা মতিং ফুদোকপীরকপা ওইরম্লগদি ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টরবু পূম্নমক্লা হেন্না ইকায় খুম্নরমগদবনি। সেন্টর অমদি ষ্টেটনা মতম চানা লাকশিলহৌদবা ঈরাংদগী লান অসি ওইখিবনি। কুকি নুপী অনীদা চথখিবা নুপীবু ইকায় খুম্নখিদবা অদুবুদি ঐখোয়সু মীওইবা অমা ওইনা নুংঙাইতবা ফাওই অদুবু চিন-কুকিনা শুগুনু-সেরৌদা অহল ওইরবী নুপী অমবু মশাগী ময়ূমক্তদা থোঙ লোনশিল্লগা হিংনা হিংনা মৈ থারগা হাৎখিবা, মীবু শাষণ হাৎপগুম হাৎলগা শেমখিবা অমদি নুপীমচা অমবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা ওৎপা নৈবা য়াবমখৈ ওৎলগা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদুদি করিমত্তা নুংঙাইতবা ফাওদবরা? সিবু করম্বা মীওইবগী শাজৎনো? মসিগী মতাংদনা চিন-কুকিশিংদনা করি হায়বীগদৌরিবা!

থোক্লিবা লান অসি চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগা য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈশিংগগী মরক্তা থোক্লি অদুবু কংলৈপাকসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা কয়াম কুইনা অদুমক য়েংদুনা লৈখিগদৌরি? ইমা লৈবাকসি কলহৌসি হায়রগদি ঐখোয় পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা মতম ওইরে। মালেমগী করম করম্বা লানশিংদা, লানগী চৎন-কাঙলোন শেমদুনা শোক্লখিবা লান য়াওখ্রবগে? সেন্টিমেন্ট অমগা লোয়ননা থোরকখিবা লাননি, লান্দা অফ ফত্ত হায়বা লৈতে, লান হায়বসিদি লাননি, থোক্লিবা পূম্নমক লানগী মচৎনি।

**অদোমগী - বি কে মঙাং, লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট**

## এময়ুদা সেমিনর পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস):** নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ওন এন ই পি ২০২০ প্রোগ্রেস ওন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ ফ্যুচর ওফ ষ্ট্রেটেজিস হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা এম য়ুগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এময়ুগী ভিসি প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্রো, দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিস এময়ুগী প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমদি মণিপুরী হেদ দিপার্টমেন্টগী এময়ুগী প্রোফেসর তোইজম তম্ফানা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, অখন্নবা লেঙবীরকপা অমদি ময়াই তাংবলদা ফমদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা লেঙবীরকপা এময়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্রোনা হায়, কুমজা ২০২০-২১ দগী একাদেমিক সেসনদা ফেজ নাইনা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ গী প্রোগ্রাম অসি করম হাইনা চথবগে হায়বদু খন্ন-নৈনবনি।

এময়ুগী ওইনা এন ই পি ২০২০ অসি একাদেমি ইয়র কুমজা ২০২০-২০২১ দা হৌখিবনি। মসি হৌবা মতমদা এময়ুগী কেম্পসতা হাংলিবা থর্দ ইয়র ইন্টিগ্রিটিগী কোর্স খরা হান্নদি বেচেল্লর দিগ্রি কোর্স ওইনা হাংবনি। ঐখোয়না এন ই পি ২০২০ ফ্রেমৱার্ককী মখাদা ফাইব ইয়র ইন্টিগ্রিটি কোর্সকী মখাদা বিএ অমদি মাষ্টর অনী অসি অহানবা প্রোগ্রাম খরনি হায়রি।

## মণিপুরগী মীতৈ মীয়াম্না তৌরকপা থৌওং থৌদা পূম্নমকপুদি থিংগনি হায়বা পাল্লিবা লৈঙাক্কী অঙকপা সাসননি হায়না লৌদবা ঙমজদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংগী মখা তারকপদা মে ৪, ২০২৩দা থোকখিবা লমহেন তুহেনবা মীওইশিংনা নুপী ২বু ফি থোংদনা মীয়াম মাংদা চৎহনখিবা থৌদোক অসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি অমদি কন্দেম তৌফম থোকপদা নত্তনা মরালগী মতুংইন্না দন্দি পীফম থোকই। লোয়ননা লমদম অসিগী প্রজা অমা ওইনসু ইকায়জে। তৌবতবু থৌদোক অদু হৌখিবা মে ৪দা থোকখিবনি হায়রি। লোয়ননা থৌদোক অদুগী এফ আই আর, জিরো এফ আই আর ওইনা হৌখিবা মে ১৮-দা তৌখি হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি।

থৌদোক অসি হৌজিক্তি নেসনল মীদিয়াদা শবাক ফাক্লক্লবনিনা নহানমখৈ তূমদুনা লৈরুরবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মীকপ থোক্লক্তুনা ইকায়বা অমদি পেন্দবা কয়ামরুমসু ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিমক্তি হায়নীংঙাই লৈতনা কন্দেম তৌজরি। অদুবু নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর অমদি মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিদা খংপ্রেক খংদুনা মীকপ থোক্লকপসিমদি হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা, হরাওবা অমা পোকচৈ। পীকখ্রবা মণিপুরদগী পীকখ্রবা থৌদোক মচা অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি অতৈ নেসনল ওর্গনাইজেসনশিং মরু ওইনা নেসনল কম্মিসন ওফ ৱিমেননসু খঙলক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিংদা নত্তনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মফম থাদোক্কদবনি, মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থমগদবনি হায়বা য়াওনা দিমান্দ কয়ামরুম তৌরি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৭সু ফারে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু ফোঙদোরক্লি।

অদুগা হৌখিবা মে ৩দগী হৌরগা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চুড়াচান্দপুর, মোরে অমদি কাংপোকপীনচিংবা মফমদা তাবা মীতৈশিংদা চথখিবা মীওৎ মীনৈ, মীয়াম মমাঙদা মীতৈ নুপীশিংবু গেং রেপ তৌখিবগী থৌদোকশিং অদুবুদি ভিদিও ফুটেজ লৈতে হায়দুনা করিমত্তা খঙশিন্নদ্রি, উশিন্নদ্রি। মতমদুদা মীচম মীয়ামদা নত্তনা চুড়াচান্দপুরদা তাবা মীতৈ কর্ম্মচারিশিংদা চথখিবা তমথীরবা থৌদোকশিং অদুগী ভিদিও ফুটেজ শোয়দনা ফংগনি, নেটৱর্ককী অথিংবসি লৌথোকপীরবদি। চুড়াচান্দপুরদনা ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈহন্দে অদুগা তম্পাক্কী লমদনা ইন্টরনেটকী অথিংবা থল্লি। অথিংবা লৈতবা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৌরগা তম্পাক্কী থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক নেসনল মীদিয়াদা থাদোক্লবগীদমক্তা তোঙানবা নেসনল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম অমা মীতৈগী মায়োক্তা মতম পূম্নমক্তা লৈ হায়না ফোঙদোক্তবা ঙমজদে।

নাকল অমরোমদা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্কী এম পিসু ওইরিবা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগীসু চীফ ওইরিবা ব্রিজ ভুসন সরন সিংহনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা রেষ্টলর নুপীমচা খরদা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট চথখি হায়দুনা ওলিম্পিক মেদলিষ্ট সক্সি মালিকনচিংবা রেষ্টলিং শান্নরোয় ৬না পূন্না কোনাট প্লেসকী পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর তৌদুনা ব্রিজ ভুসন সরনগী মথক্তা ৱাকৎখিবদা নত্তনা মহাক ফাদুনা দন্দি পীগদবনি হায়খিবদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা খোঙজং কয়ামরুম অমসু চংশিনখিবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়া পূম্বা শরা শনখ্রবনি, দেল্লিগী জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট কয়াসু তৌখ্রবনি। রজাস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক ঘেলোট, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী, ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়নগী স্পোক্সপর্সন রাকেস টিকৈটনচিংবা লুচিংবা কয়ামরুমসু ৱ্রিজ ভুসননা নুপীমচা রেষ্টলিং শান্নরোয়শিংদা চথখিবা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট অদুবু কন্দেম তৌবদা নত্তনা দন্দি পীননবা হৌজিক ফাওবা হোৎনদুনা লৈরি। মসিদসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর তূম্লি, মনা তাদ্রি। অসিদসু নত্তনা নেসনল কম্মিসন ওফ ৱিমেনসু মনা তাদ্রমাল্লে, মমিৎসু তাংলমাল্লে। করিমত্তা খঙজিন্নদ্রি।

পাল্লিবা লৈঙাক বি জে পি অসিগী এম পি অমসু ওইরিবা ব্রিজ ভুসননা নুপীমচা রেষ্টলিং শান্নরোয়শিংদা তৌখিবা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট অদুগীদমক্তদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা করিমত্তা উদ্রি তাদ্রি। অদুগা হৌজিক মৈ চাল্লিবা মণিপুরগী হাৎন-শুনরিবা পূম্নমকপুদি উবা ঙমদ্রগা হৌখিবা মে ৪দা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকসিবুদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা উবীদুনা মীওই ক্রোর ১৪০ হেন্না লৈবা ইন্দিয়াগী মীয়াম মমাঙদা ইকায়বনা লোইরে, তুক্কৎচরে হায়রক্লি। অদুগা বি জে পি লৈঙাক্কী এম পিসু ওইরিবা ব্রিজ ভুসন সরন সিংহনা নুপীমচা রেষ্টলিংশিংদা চথখিবা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট অদুবুদি ইকায়বিদে।

মতাং অসিদা থমজনীংবদি লৈঙাকলোয়শিং অমদি মসিদা মতেং পাংলিবশিং (শেল থুম অমদি ভোটতা) পূম্নমক্লা তৌখিবা অরানবশিং অদুদি উবা ঙমজদে। অদুগা মণিপুরগী মীতৈ মীয়াম্না তৌরকপা থৌওং থৌদা পূম্নমকপুদি থিংগনি হায়বা পাল্লিবা লৈঙাক্কী অঙকপা সাসননি হায়না লৌদবা ঙমজদে।

**অদোমগী - রাজকুমার বাসুমনি, শীংজমৈ ওক্রম লৈকায়, ইম্ফাল**

## অমত্তা ঙাইবা পুনশিন্নবগী লম্বী ময়েক্লা তাবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*


পুয়াগী মতুংইন্না হয়ি চক্কী অরোইবা কোন্নচক্কী হৌবা লংদাইদা ‘অলচিগা চকখৈগা অসি মক্তি কংলা কুচু লেম্বী চিংদা শাথুপখিবা অদু শাফোংলগদবনে। হায়বদি মৈতৈ ফোংদরি মতম অদুদা মৈতৈ ফোংলগদবনে। হায়বদি ময়েক্কী হৌফম লোইফম খঙলগদবনে। ৱাফম অসি লৈবনা ইপু ইপানা ময়েক্লা তাবা লাকখি হায়বা পাউরৌ অসি মৈতৈ ঐখোয়গীদমক থম্বীরল্লিবনি।


ঙসিদি মৈতৈ ঐখোয় হিংবা অমসুং শিবা অনীগী লংদাইদা লাকখ্রে হায়বা ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙলে। অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয় পুনহৌদ্রবদি মালেমদগী মৈতৈ মাঙবা হায়বা অসি ১০০দা ১০০ চুমখিবা য়ারি। অদু ওইরবদি ঐখোয়গী লৈরিবা লন-থুম, ইচা-ইশু লোইনা মাঙখিবা হায়বা অসি ময়েক্লা তাবনি। মতাং অসিদা হাজয়নীংবদি ঐখোয়বু লমজিংবীরিবা অখঙ অহৈশিং অমসুং লূপ কয়াগী লুচিংবশিং ঐখোয়সু ময়েক খঙনা লমজিংবীদুনা মালেম মৈতৈ হিংহনবীনবা হায়জরি। ময়েক খঙদনা লমজিংলবদি মৈতৈসু মাঙখিনি, মালেমসু মাঙখিনি।

ঙসি লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়াদগী লূপশিং পুনশিনবীরো, ঐখোয় ৱারে হায়বা তেংথাখোলনা লৈবাক অসি নিল্লক্লিবা অসি মৈতৈ ঐখোয় ময়েক্লা তাবদগী থৈদোকখ্রে হায়বগী খোল্লাউ ওইগনি। মতম চারিঙৈদা ঐখোয় পুনশিলহৌবা মথৌ তাই নৎত্রবদি মরাই চাইথখিগনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা পুয়া লাইরিকশিং অমদি ৱারী শীংবুলসি ঐখোয়না হৈরে শিংলে হায়দুনা নাথৈরগা মীরমগী ৱারীশিংবুদা থাজদুনা ইপু ইপাবু খোঙ্গৈইনবনা ঐখোয় মুৎখিনবা অচৌবা লম্বী ওইগনি। ঙসি ঐখোয়না হিংলিবা অসি ঐখোয়গী ইপু পুরেন লাকপদগী হিংদুনা লাকপা ইচেল অদুননি। হায়বদি ঐখোয়দা য়াওরিবা পুরেন লাকপা, পুরেন লাকপী অনীগী ঈরি ঐখোয়না থদৎলোইদবনি অদুগা লোয়ননা মখোয়না থম্বীরম্বা ৱারীশিংবু ঐখোয় লাইরিক হৈরে হায়দুনা শেমদোকলোইদবনি। ইপু ইপানা থনল্লিবশিং অসি ঐখোয়গী চৎনবী/চৎনা লম্বীনি। ঙসি ঐখোয় না ককঙাওনদুনা লৈরিবা অসি ইপু ইপানা থম্বীরম্বা ৱারীশিংবু ময়েক্লা ইপানি, লোলনা ইমানি হায়বা অসি ঐখোয় হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা লাইরোলনি। লাইরোল অসি ঐখোয় খুদিংমক পুনশিন্দুনা মীতৈ ঐখোয় কনবতা নত্তনা মালেম কনবগী থৌদাং লৌবা মতম লাকখ্রে। মরম অদুনা ঐখোয় ময়েক্লা তাবদা পুনশিলহৌরসি। ৱাফম অসিতনা ঐখোয় পুনশিনবা য়াগনি অমসুং মৈতৈ হিংহৌগনি।

**অদোমগী - চোংথাম মাংলং (শ্যাম), লম্বোইখোংনাংখোং**

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT
ADMISSION OPEN
FOR
1 (ONE) YEAR REGULAR COURSE FOR NEET (UG), TARGET-2024
Why NEF
- Study Materials with latest updation.
- Expert faculties from KOTA
- 5 hours classes daily & Test Series on every 15 days
- Individual attention on every student.
- Special doubt clearing classes from 4 pm to 7 pm

OUR FACULTY MEMBERS

CHEMISTRY — Rahul Kumar: • Ex Faculty member of Career Point, KOTA & Narayana IIT
PHYSICS — L. Bidyaraj: Master from IIT, Guwahati • Ex Faculty member of Career Point
MATHS — Basant Kumar: • Ex Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzaffarpur • Over 25 years of experience for JEE
BIOLOGY — Vishal Kumar: • M.Sc. Life Science • Post Graduate diploma in bioinformatics • Teaching experience 10 years (NEET)
For more details contact : 9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
HL-P/7162/15, 17, 19, 21, 23, 25, 27, 29, 31, July 2,4,6,8,10,12 Aug



## Dr. Elsa Sanatombi Devi has been appointed as Director of FAIMER

Dr. Elsa Sanatombi Devi, daughter of late Puyam Kuber Singh and late Puyam (O) Angoubi Devi of Wangkhem, Thoubal, Manipur, currently working as a Professor at Manipal College of Nursing (MCON), MAHE Manipal, is the only nurse in the country and globally to be appointed as **Director** of the **Foundation for Advancement of International Medical Education and Research (FAIMER)** at Manipal Academy of Higher Education (MAHE) Manipal University,Karnataka. She has already taken the charge of Director from June 2023. She is a double FAIMER fellow from MAHE as well as from International FAIMER Institute Philadelphia USA. Another responsibility in conjunction bestowed on her for her capabilities is being the Deputy Director of the **Centre for Continuing and Interprofessional Development Department, MAHE Manipal** which is adorned with the status of eminence.

Dr. Elsa Sanatombi Devi is a recipient of the **‘National Florence Nightingale award’** on the 7th November 2022 from the hands of the President of India **Srimati Draupadi Murmu** for her commendable service. She was also awarded **‘Service Above Self’** from Rotary International for her community services. Having done her PhD in Nursing, MBA in Health care services, Palliative care fellowship from Pallium India, PG Diploma in Diabetes education from World Federation project HOPE, and PG diploma in Guidance, Counselling & Psychology, she has gone a long way in contributing towards elderly living with dementia in the district of Udupi, Karnataka in collaboration with Alzheimer’s Scotland center for policy and practice, UK.

Dr. Elsa is a true researcher and a compassionate leader in health science, gearing up for the change that Manipur her home state needs. She constantly mentors the CHOs of Manipur in times of crisis situations and pandemics. She also extends her Ph.D. guideship facilities to central University Mizoram, Martin Luther Christian University Shillong and SMU Gangtok, Sikkim as her responsibility towards nurses of northeast-India besides at MAHE Manipal. Dr. Elsa looks forward to greater healthcare capacity building in Manipur with nurse-led developments.

HL-P/7294/27